# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 07-12-2025)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপকী মীওই ১২ ফারে।

মনিপুর পুলিসকী পাউনা হায়-মখোয়শিং অদু মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা, আইননা য়াদবা থবকশিং চত্থরম্বা মীওইশিংনি।

থৌবাল জিলাগী হৈরোক্ত পার্ট টুদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই ঙরাং ফাগৎলে। জিলা অসিগী কাইরেনবিখোক অৱাং লৈকাইদগী কে.ৱাই.কে.এলগী কাদর অমা ফাগৎখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী নাগামপাল কংজাবী লৈরক্তা লৈবা কম্যুনিতি হোল ময়াদগী প্রিপাক (প্রো) গী মীওই অমসু ফাগৎখি। মহাক বিষ্ণুপুর জিলাগী কৈবুল লমজাউ চিংমৈ মখা লৈকাইদগীনি হায়রি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লম্বোইখোংনাংখোংদগী কে.সি.পি. (অপুনবা) গী মীওই অমসু  ফাগৎখি। বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোং বজার ৱার্ড নম্বর টুদগীসু প্রিপাক্কী মীওই অমা ফাখি।

নুমিৎ অসিমক্তদা থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক ৱাংখেমদগী কে.সি.পি. (অপুনবা) গী কাডর অনিসু ফাগৎখি। মখোয়দগী এস.এম.জি. করবাইন অমা অমসুং মেগজিন অনি ফাগৎখি।

থৌবাল জিলাগী লিলোংদগীসু য়ু.এন.এল.এফ (কে) গী মীওই অমসু ফারে হায়রি। নুমিৎ অসিমক্তা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লাইরিকয়েংবম লৈকাই সলান লৈরক্তগী য়ু.এন.এল.এফকী কাডর অমসু ফাগৎলে হায়রি। মহাক মীয়ামদগী শেল খোমগৎপদা চেন্নবা মীওইনি। ককচিং জিলাগী সুগ্নু পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ৱাপোকপী মনিং লৈকাইদগী প্রিপাক (প্রো) গী কাদর অমসু ফাগৎখি।

নুমিৎ অসিমক্তা সেকমাইজিং খোইদুমদগী কে.সি.পি. (এম.এফ.এল) গী কাদর অমা অমসুং ককচিং জিলাগী ককচিং লমাইদগী কে.সি.পি. (তাইবংঙানবা) গী কাডর অমসু হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎতা ফাগৎখি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা জিরিবাম জিলাগী লৈঙাংপোকপী ভিলেজতগী নিশাগী পোৎলম কয়া পুরম্বা মীওই অনি ফাগৎখি। মখোয় অসামগী কছার জিলাদগীনি হায়রি। মখোয়দগী ডব্লিয়ু. ৱাই টেব্লেৎ লিশিং ৫০ য়াওনা চাকা মরি পানবা গাড়ি অমসু ফাগৎলে।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-ভারত অসি চাউখৎপগী লমজেলদা মাংজিল থারি অমদি মালেমগী ওইনা য়েংবদা ইনফ্লেসনগী চাং নেপ্লি।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-শেনবা চহি অসিগী হৌখিবা থা খরা অসিদা জি.দি.পিগী চাং চাদা ৮ ওইরকপা অসিনা লৈবাক অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎলে হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লে। মহাকা হায়-মসিনা মালেমগী শেল থুমগী লমদা ভারতনা অচৌবা মফম অমা কনবা ঙম্লিবনি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মালেমগী ওইনা তোঙান তোঙানবা সমস্যাশিং মায়োক রবসু ভারতকী ওইনদি চাউখৎ মায়কৈরোমদা খুমাং য়াংনা চংশিল্লি। মীয়াম অমদি সরকারগী মরক্তা অফবা মরী থন্বা ঙমলে। সরকার অসিনা মীয়ামগী য়াইফননবা থৌরাং কয়াসু পায়খৎলি। সরকারনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংদসু মীয়ামনা মতেং পাংনবসু শ্রী মোদিনা আপিল তৌরি।

**গৱা ঃ** গৱাগী অরপোরাদা লৈবা নাইট ক্লব অমদা মৈ চাকপগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ২৩ শিরে।

পুলিসকী পাউনা হায়-থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা থোকখিবনি। থৌদোক অদু সিলিন্দর অমা পোকখায়রকপদগী মৈ অদু চাক্লবনি

হায়না থাজনরি।

মফম অদুদা ফয়ার টেন্দরশিং চংশিনদুনা মী কনবগী থবক হৌজিকসু চথুরি। শিরবশিং অদু অয়াম্বা ক্লব অদুদা থবক তৌবা মীওইশিংনি হায়রি। নোর্থ গৱাগী দি.জি.পি, পুলিস টিম য়াওনা মকোক থোংবা পুলিস ওফিসিএলশিংনা য়েংশিনখ্রে। মুখ্য মন্ত্রি-ডা: প্রমোদ সাৱননা থৌদোক অদুবু নুংঙাইতবা ফোংদোক্লদুনা হায়-থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি। মহাকা থৌদোক থোকফমদুদা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখি অমদি থৌদোক অদু থিজিন্নবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে।

**রেল ঃ** রেলৱেজনা লাক্লিবা নুমিৎ হুমনিগী মনুংদা অখন্নবা রেল সার্ভিস ৮৯, তোঙান তোঙানবা জোনশিংদগী চেনবা হৌরগনি।

অখন্নবা থৌরাং অসি নীংথম থা ওইরকপগা লোয়ননা পাক্তকনা ফ্লাইটশিং কেন্সেল তৌরকপা অমদি পেসেঞ্জর মশিং হেনগৎলকপদগী লৌখৎলকপনি। মসিনা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা মীয়ামদা হেন্না খুদোংচাবা ফংহল্লগনি।

সেন্ত্রেল রেলৱেজনা পুনে-বঙ্গলুরু, পুনে-দিল্লি অমসুং মুম্বাই-দিল্লি ফাওবা চৎকদবা অখন্নবা রেলগাড়ি ১৪ চেনগনি। ৱেষ্টর্ন রেলৱেজনা দিৱানি-মুম্বাই অমসুং মুম্বাই-সাকুরবাসিদসু খন্নবা রেলাগাড়ি ৭ চেনগনি। সাউথ সেন্ত্রেল রেলৱেজনা চিরলাপালিদগী সালিমার, সিকন্দরবাদ
চেন্নাই-ইগমোর অমসুং হায়দ্রবাদতগী মুম্বাই ফাওবা চৎকদবা অখন্নবা রেলগাড়ি অহুম অমসু থৌরাং তৌরে।

**ইন্দিগোঃ** দাইরেক্তোরেট জেনরেল ওফ সিভিল এভিয়েসন (দি.জি.সি.এ) না ইন্দিগোগী ফ্লাইটশিং কেন্সেল তৌবগী মতাংদা সি.ই.ওদা সো কোস নোটিশ অমা থাখ্রে।

ঙরাংসু ইন্দিগোগী ফ্লাইট ৫০০ হেন্না কেন্সেল তৌখি হায়রি।

অমরোমদা, ইন্দিগো ইয়ারলাইন্সকী ফ্লাইট কেন্সেল তৌখিবা অদুগী পেসেঞ্জরশিংগী শেনফম অথুবদা হন্থোকবা সরকারনা খঙহনখ্রে।

সিভিএল এভিয়েসন মন্ত্রালয়গী চেরোল অমনা হায়-শেনফমশিং অসি ঙসি নুমিদাং পুং ৮ ফাওবগী মনুংদা হন্দোক্কদবনি। মসিদসু নত্তনা পেসেঞ্জরশিংনা রি-সেদ্যুল তৌবা মতমদা অহেনবা চার্জ লৌদনবসু হায়রি। করিগুম্বা পীরিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা ইয়ার লাইন্স অসিনা শেনফমশিং অসি হন্দোক্লমদবা নৎত্রগা ফ্লাইট রি-সেদ্যুলিংগী অহেনবা শেনফম লৌরম্লবদি নিয়মগী মতুং ইন্না লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎকনি হায়রি। মীয়ামনা ৱাকৎপদা খুদোংচানবা অমদি টিকেৎকী শেনফম হন্দোকপদা হেন্না লায়নবগীদমক পেসেঞ্জর সপোর্ট এন্দ রিফন্দ ফেসিলিটেসন সেলশিং হাংননবসু ইন্দিগো ইয়ারলাইন্সতা মন্ত্রালয়না খঙহনবা লৈখ্রবনি।

**ক্রিকেটঃ** নুপাগী ও.দি.আইগী অহুমশুবা অমসুং অরোইবা ক্রিকেট সেরিজগী ঙরাং বিশ্বখপতনমদা শান্নখিবা মেটচতা ভারতনা সাউথ আফ্রিকাবু ৱিকেট ৯ দা থোইখ্রে।

মেটচ অদুদা ভারতনা ওভর ৩৯ গা বোল অমদা রন-২৭১ লৌদুনা থোইখিবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মনিপুরদা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা য়ুমদা হনজিলহনবীয়ু হায়দুনা আই.দি.পিশিংনা খোঙজং চংশিল্লিবা, ৱারোইচীংগী খুঞ্জাশিংনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরিবা অমসুং সিভিল এভিয়েসন মন্ত্রালয়না পেসেঞ্জরশিংগী শেনফম হন্দোকখিনবা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা তোঙান তোঙনাবা হেদলাইন তৌদুনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

সনা লৈবাক পাউচেদা-চংথোক চংশিনগী অককবা মতম থম্বনা ৱারোইচীংগী খুঞ্জাশিং খুদোংচাদবা মায়োকরি, য়ুমদা হনজিল্লবসু নুমিদাংদা অকি তুংজংবদি অদুম্মক পোক্লি হায়দুনা খুঞ্জাশিংনা ফোংদোরকখিবা ৱাফম অহানবা হেলদলাইন তৌরি।

চহি অনি হেন্না লাঞ্জেন্নরুরগা হল্লকপা লৈমরাম ৱারোইচীংগী খুঞ্জাশিং অৱাবা কয়া মায়োকরি হায়বা পাউ দা পিপলস ক্রোনিকলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

লৈমরামগী লাঞ্জেন্নরুবা খুঞ্জাশিং ময়ুমদগী হঞ্জিল্লে, হিনবা হোনবদদি অরুবা ওইরি হায়না পোকফমগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। সিভিল এভিয়েসন মিনিস্ত্রিনা পেসেঞ্জরশিংগী শেনফম হন্দোকপীনবা ইন্দিগোদা খঙহনখ্রে, মঙানি শুবা নুমিৎতসু ফ্লাইট ৪০০ হেন্না কেন্সেল তৌখি হায়না পাউ অসিগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

ফ্লাসট ফেয়ারদা হেল্লোইদবা চাং গভর্নরমেন্টনা লাউথোকখ্রে হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক্তা অহানবা হেলাইন তৌরি।

কিহোম থাদুনা য়োনবতা নত্তনা মনাদগী লং, লংদগী ফি শাদুনা পুথোক্লি হায়বা পাউ অমসু সঙাই এক্সপ্রেসকী মনিপুরি এদিসনগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

য়ুমদা হনজিলহনবীয়ু হায়দুনা খোঙজং চংশিল্লিবশিংদা নোনেগী খুঞ্জাশিংনা ইঞ্চাং নাপীশিং পীররে, লৈঙাকা ঐখোয়বু হনজিলহনগনি হায়খিবা নুমিৎ ২৬ নিদা ঙাইশিল্লক্লে হায়না হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-এন.পি.পি. ষ্টেট য়ুনিটকী হান্না থৌ পুরম্বশিং পার্টিদগী তোক্লগা পোলিটিকেল পার্টি অমা শেমগদৌরি হায়না অনিশুবা হেদলান তৌরি। ৫৪ রক শুবা ওল মনিপুর সোর্ট প্লে কম্পিটিসন ২০২৫ হৌদোকখ্রে, নহা আর্টিষ্টশিংনা স্কোলারসিপ থাবা মরুওইনা হায়না মনিপুর ষ্টেট কালা একাডমীগী দিপ্যুতি সেক্রেটরিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সনা লৈবাক পাউচেগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।